এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

ৱাইশেন তুরেল কলহৌসি, মহৌশাগী খূৎশেমসু কলহৌসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌখিবা ওক্টোবর ০৯, ২০২১দা ৬শুবা ইস্যু ওইদুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমসিদা মতৌ করম্না ওইরক্লিবনো হায়বগী চাওরাকপা মওং অমা লৈখ্রে। মদু কুমজা ২০০২দগীসু ৱাইশেন মরীল শেমগৎপা লূপসিগী মরু ওইবা লোকেল ক্লবশিং কয়ানা পুন্দুনা মাস সোসিয়েল সর্ভিস অমা ৱাইশেন ইরমসিগী হৌরকফম ওইরিবা কৈশামথোং এ সীগী ১) মোইরাং পুরেল লৈকায় মনুং ফাওদুনা শেংদোকখিবা অমদি ২) নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী কোঞ্জেং লৈকায় হৌরকপদা লৈরিবা ইমা শন্দ্রেম্বী-চাইশ্রাগী খুভম অনী লৈরিবা মফমসি ফাওবা নোংমতদা পূন্না ইরম ফাৎপা ঙমখিবসিনি। য়াম্না লাইবক থীরিবা থৌদোক অমনা মতমদুদা য়াম্না থৱায় য়াওনা অমদি অশেংবা ভেল্যু নীংথিজনা খঙদুনা পাঙথোকখিবা ভলন্টরি সর্ভিস অদুদা মপূং ফানা শরুক য়াখিবা লোকেল ক্লব খরদি হৌজিক পোলিটিকেলাইজ তৌখিদুনা লোকেল ক্লব অমা ওইবগী ফজরবা ফঙ্কসনশিং অমত্তা পাঙথোক্তনা নম্ফু-হাফুদা মীওই খরা মান্নরগা পংশেমদা শেমজিন্দুনা থৌপুবগী ফৎত্রবা চৎনবী অমগুম্না লৈরকপদগী মহৌশাগী খূৎশেমনা থন্বীরম্লবা লমদম অসিগী অদুক্কী মতিক ঐখোয় পূম্নমক্কী হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ঈশিং ঈরমসি নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্তুনা থৱায় পানবা পান্দবা কয়াগী পুন্সি তেন্নবগী মচাক ওইরক্লি।

মথংদা কুমজা ২০০২দা পাঙথোকখিবা য়াম্না হিষ্টোরিকেল ওইবা ৱাইশেন মরীল শেংবগী থবকসি নত্তনা মমাঙঙৈদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবনি। হায়রিবা থবক্তুগী হেক মথংদা য়াম্না পাক চাউনা ঈরমসিবু শেংদোকখিবনা কুমজা ২০১৫দা লূপসিগী মপূং ওইবা থৌদাং কয়ামুক লৌবীদুনা লুচিং পুরেল (প্রেসিদেন্ট) গী থৌদাং লৌবিখিবা ইকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়, পাৎশোই এ সীদা লৈরিবা ময়াম্না চুমখাম লম্পাক হায়না খঙনরিবসিগী অৱাং লোমদা নক্না লৈবিরিবা থবক্তগী পোত্থারবা ওইনাম ইবোবি, লৈকায় অমসুং অকোয়বদা এস ও ইবোবী হায়না খঙনরিবা লৈকায়সিগী লোকল ক্লবকী মরু ওইবা থৌদাং কয়ামুক লৌবিরিবা এস ও ইবোবীনা অদুক্কী মতিক থৱায় য়াওবীবা অমদি কখোকপগা লোয়ননা ৱাইশেন মরীল শেমগৎপা লূপকী থৌমী কয়াগা য়াওনা পাঙথোকখিবা ৱাইশেন মরীল শেংবগী থবকসি কুমজা ২০১৫দা ঈরমসিগী ম্যেন ষ্ট্রিম ওইরিবা ঙান্নপীথোং ফাওবসি শেংদোকখিবনি। হায়রিবা ঈরম শেংবগী থবক্তু ঈশিং ঈরমদুগী ইয়াই তম্না লৈরায়রোমদগী য়োৎ অমদি নূঙনা মরক্তা তঙ্খাই য়ৌনা ঈচেলবু রিটেনিং ৱাল অমা শারকপদা মীয়ামসিনা অদুক্কী মতিক থৱায় শোক্লখি অদুবু হায়রিবা থবক্তু লৈঙাকসিগী মরী লৈনরিবা মতমদুগী ইরিগেসন এন্দ ফ্লন্দ কন্ত্রোল দিপার্টমেন্ট (আই এফ সী দি) অমসুং পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী) নচিংবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা হংবদা কনাগুম্বা লোয়শঙ অমত্তনা তৌখিবা লৈতে হায়বসি লূপসিনা খঙবা ঙমখি। অদুবু কাইনথংদা হায়রিবা থবকসি ঈরমসিগা মরী অমত্তসু লৈনরক্তবা পব্লিক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) হায়রিবা লৈঙাকসিগী লোয়শঙসিনা তৌরমগনি হায়না পূম্নমক্না থাজবা লৈখি।

হায়রিবা ঈশিং ঈমাই তম্না মরাক্তা তঙ্খাই য়ৌনা ঈচেন থিংজিল্লক্লিবা মীটর ৬/৭ মুক শাংলবা রিটেনিং ৱাল অদু কুমজা ২০১৬তগী ২০২০ ফাওবগী নোংজু থা মতমদা অদুক্কী মতিক ঈচেল থিংবতা নত্তনা ফত্ত-হৌদিশিং কয়ামুক পৈশিল্লক্তুনা কৈশামথোং অমদি শগোলবন্দ এ সীগী মরু ওইবা লৈকায় কয়ামরুম ঈশিং ঈরিদুনা লৈখি। হায়রিবা নূঙগী চেকপল অদু অমুক মখা তানা শারক্তনবা ৱাইশেন মরীল শেমগৎপা লূপকী মেম্বর কয়ামুক্না থবক তৌরিবা মীওইশিং অদুদা অদুক্কী মতিক কন্না হায়জরম্মী। মতমদুদা চিন্দা পাউদানদুনা অৱাই অখুম কয়ামুক তৌবা হৌরকপদা অকোয়বগী মীয়াম ফাওবা থোক্নরক্তুনা হায়রিবা ঈচেল থিংলক্লিবা ৱাল অদু মখা তানা হেন্দোরক্তনবা অমদি থবক্তু খুদক্তা লেপ্পনবা ময়াম চঙদুনা থিংবা হৌরকখি। মতমদুদা হৌজিক এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা মতমদুদদি মীহুৎ ওইহৌদ্রবা কৈশামথোং এ সীগী ওনরেবল এম এল এ এল জয়েন্তকুমারসু খঙহৌদনা থোরক্লিবা ৱাথোক্তু তারদুনা মফমদুদা লাক্তুনা য়েংশিনবীখি। অদুগা মতমদুগী এম এল এদি লাকপীখিদে। হায়রিবা ফীভমদু ৱাইশেনগী লেদিজ-ৱিংগী হৌজিকসু ওইরিবা কোঞ্জেং হজারি লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী খোইরোম শান্তি অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম মেমবোই অনীগী শিংথানবা য়ারবা থৌদাং কয়াবুসু হৌজিক ফাওবা নীংশিংনরি। অসিদসু নত্তনা লেদিজ ৱিংগী এল সুনিতা, এল অনন্দি, এল তোম্বীসনা, এল মন্দাকিনি অমদি এল সঙ্গায়নচিংবা কয়ানি।

হৌজিক লাক্লিবা য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাফমদি হায়রিবা ৱাইশেন মরীল হায়বা ঈশিং ঈরমসি মহৌশাগী ওইবা হায়বদি নেচরেল ওইবা ৱাটর-ষ্ট্রিম অমনি, মসিবু নম্ফু-হাফু শীজিন্নদুনা করিগুম্বা মাঙহন্নবা হোৎনরক্লবদি লমদমদুগা হকথেংননা লৈরিবা থৱায় পানবা পান্দবা পূম্নমক্কী ফীভম নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্তুনা অনা-অয়েক কয়ামুক লেপ্তুনা থোরক্তুনা পুন্সি তেল্লক্কনি, লোয়ননা হকথেংনদবা কৈরোই লৈকায় কয়াগী মফমদসু ফীভম অসি লেপ্তুনা শন্দোরক্কনি। মতাংসিদা হৌজিক ওইরিবা লাইচৎ কোভিদ-১৯গী লায়নাসিদা অহানবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা মকোক্তা লৈরক্তুনা শিবা অমসুং পোজিটিভ ওইবগী চাং ইহেন হেল্লক্তুনা মকোক্তা লৈরক্লি অদুবু হৌজিক্তি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা মকোক্তা লৈরক্লে। মসি লমদমসিগী হৈ-শিংলবা লাইরিক হৈবগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাংলবা মীওইশিংনা অমুক্তা করি মরমদগীনো হায়বসি পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা য়াওখ্রবরা? মসিগী মথক্তা ঈশিং নুংশিৎকী মরমদা য়াম্না মরী লৈনরিবা লৈঙাকসিগী লোয়শঙ মণিপুর পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দ অমসুং ক্লাইমেটিক এন্দ ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, পোরোম্পাৎ অসিনচিংবা লৈঙাকসিগী মরী লৈনরিবা বোর্দ অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক থোংনা লৈরিবা অমদি এমপ্লোয়ীশিং কয়াগা লোয়ননা লোইশঙশিং কয়াসিনা লমদমসিগী মীয়াম অমদি থৱায় পানবা পান্দবশিংগী পুন্সি মরেলশিংবু খোঙ্গাওনবগী লন্বীরোমদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপসিসু ৱাইশেন মরীলগী ঈরম ময়াদা তারিবা মীপূম খুদিংনা লেপ্তুনা ঙাঙনরকপা ৱাফম অমসু ওইরক্লি। মথং ৮শুবা ইস্যুদদি ওক্টোবর ১৮, ২০২১দা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বীরেনগী মফমদা পীশিনখিবা অইবা চেরোলগা লোয়ননা অমুক খঙমিন্নসি।

অদোমগী - নাওরেম দেবান

ঐখোয় মীমাঙ থোকপনি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ঐখোয়গী লূপ অসিনা ইকায়নীংঙাইনি। অসুক চাওখৎলবা ২১শুবা সেঞ্চুরিগী মতম ফাওবা অসিদা ঐখোয় লূপকী মিং ফাওবা অশেংবা খঙজদনা লৈবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। ঐখোয় মীমাঙ থোকপনি। চিন্দদি মীতৈ/মৈতৈ অমত্তনি হায়গনি। নুংদদি থরুম তৌগনি। মতমগী মমলবু করিসু লৈতনা খল্লগা, লূপকী মীংদা মৈতৈনা চুমই খল্লিবা মীওইশিংনা, মীতৈশিংবু হুল্লগা ঙাঙগনি। মীতৈনা চুমই খল্লিবা মীওইশিংনসু মৈতৈশিংবু হুল্লগা ঙাঙগনি। অসিগুম্না পাউচেগী লমায়দা মান্নদবা ৱাখল অনীবু ফোংদোকপীদনবা হায়জরি।

মতম খুদিংমক্তা অচুম্বতা চৎমিন্নসি। অচুম্বনা পুন্সিগী অশাংবা লম্বীনি। মথক্তা পনখ্রিবা মীতৈ/মৈতৈ অমত্তনি হায়খ্রিবা অসিনা অচুম্বসু নত্তে। মীতৈগা মৈতৈগা ৱাহন্থোক তোঙাল্লি। মীতৈ/মৈতৈ ৱাহৈ অনীমক ঐখোয়গীনি। ৱাহৈ অনীগী শীজিন্নফমদি তোঙাল্লি।

অহানবগী মীতৈ হায়বা ৱাহৈ অসিনা তাক্লি মদুদি, মী + অতৈ = মীঅতৈ = মীতৈদি = মীঅতৈদা শীজিন্নগনি। অতৈ হায়বা ৱাহৈ অসিদি মখল অমত্তগী পোৎ নত্তবা, মখল খরা য়ামখ্রবা, মী ওইরো পোৎ ওইরো মদুদা শীজিন্নগনি। মরম অদুনা মালেমদা লৈরিবা লূপ ময়ামগী মীয়াম অসিবু মী + অতৈ = মীঅতৈ = মীতৈ ঙাইহাক্তনি।

অনীশুবগী মৈতৈ হায়বা ৱাহৈ অসিনা ঐখোয়গী লূপ অসিগী মীং অশেংবনি। মৈতৈ হায়বদি মৈ + অতৈ = মৈঅতৈ হায়বা নত্তে। মীতৈনা চুমই খঞ্জরিবা মীওইনসু হায়জরিবা মৈতৈনসু হায়রিবা হে ইপুথোয় পাখংপা নমৈপু নয়ানা চিক্তুনা থৱায় লাইনিংথৌবু লাংকোনবীরিবা, নমৈ হায়বিগনু নশোং কাংপীগনু হায়না শৈশক শৈথানরি। মসিনা তাক্লিবদি মৈগা য়াগা তাইনবা চীংউ লাইশক মাবু খঙজবা ইপুথোই মাগী মনাৎ লিচৎপু চৎচবা, ইপুথোই মাগী ফিশেৎ খামু চপ্পা ফনেক মপান নাইববু শেৎচবা, লূপ অদুবু মৈতাইদগী মৈতৈ হায়না কৌবনি। মসিগী ইভিদেন্সতি শাংনা হায়জরুবদা মতম পাম্মুই মৈত্রপাক্না মৈতিংউনা খুদমনি। মীত্রপাক, মীতিংউ হায়দ্রিবা অসিনি। মতম মাঙনা মীমাঙ থোক্নবা শিনবীগনু।

অদোমগী - সিনাম লুখোই মৈতৈ, য়াইরিপোক

ষ্টেটকী পাউ

টিচিং কম প্রদক্সন পাঙথোক্লগা মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :

ঙসি শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দজীগী মান্দবতা নিমিতা দেবী নৃত্য আশ্রমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা পুথোকপা ক্লাসিকেল জ গোয় ৪ উৎখিবগা লোয়ননা আশ্রম অসিগী মনা গুরুবাবু মেমোরিএল এৱার্দ, ২০২০না টি ঐচ ইবেমুবীদা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২১গী মনানা টি ঐচ বিমোলাদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 420/AS & SO/III **Date 24-11-2021**

Thongam (O) Satyabati Devi W/o Late Rabei Singh
of Soibam Leikai - Petitioner

-Vs-

Thongam Jugeshwor Singh S/o Late Sanajaoba Singh
of Soibam Leikai - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Imphal

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-Soibam Leikai পাট্টা নং 119 অনৌবা দাগ নং 1162 এরিয়া .289 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Co-Pattadar (2) Thongam Jugeshwor Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 2-12-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer,**
III-Manipur

HL-P/0751/26

BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT

I, **Ningombam Kirti Singh**, Date of Birth 26-01-1978, S/o Ningombam Krishnamohon Singh, a resident of Nagamapal Soram Leikai, P.O. & P.S. Lamphel, District Imphal West, Manipur (India), do hereby take oath and solemnly affirm as follows:-

1. That, I am a bonafide citizen of India, having a permanent resident at the above mentioned place. This is true to my knowledge.
2. That, on 14-10-2021, I have lost my Original **Indian Passport** issued by Regional Passport Office, Guwahati on the way between my residence and Kwakeithel, Imphal. This is true to my knowledge.
3. That, I have made vigorous searches the lost document i.e. Indian Passport and cannot be trace out till date. This is true to my knowledge.

Verified that the statement made in para No. 1 to 3 of this affidavit are all true to the best of my knowledge and nothing is concealed therein.

By : Advocate Signature of the Deponent
HL-P/9568/26 **N. Kirti Singh**

ꯗꯨꯀꯥꯟ / DUKAN অমা শাঞ্জরি

Kwakeithel Out Post মনাক্তা দুকান অমা শাঞ্জরি। পান্বীবশিংনা Contact No.- 8415990420 অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

HL-P/0754/26,27

ꯃꯥꯡꯂꯦ / SMART CARD LOST

I have lost my Original Smart Card of Alto 800 LX of 2013 Model bearing Registration no. MN01S 0885, Chassis no. MA3EUA61S00155953 and engine no. 4944108 issued by DTO Imphal West on the way from Singda to Uchiwa on 7th November, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Soibam Saratchandra Singh**
Singda, # 8575957240

HL-P/0755/26

ꯃꯥꯡꯂꯦ / GAS BOOK LOST

I have lost my Original Gas Book of Imphal LPG Service bearing Consumer No. CX18729980 issued by Imphal LPG on the way from my residence to Keisampat on 22nd November, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ningthoujam Khomei Singh**
Kwakeithel Thiyam Leikai
9856166997

HL-P/0753/26

তমেংলোংদা ওপরেসন ৩৭ মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

ঙরাংদগী হৌরদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি তমেংলোংনা শিন্দুনা চৎথরকখিবা ১৮শুবা মেগা সর্জিকেল আউটরিচ কেম্পতা মেজর ওপরেসন ৬ অমসুং মাইনর কেস ৩১ মায়পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

কেম্প অসি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি তমেংলোংনা জেনিমসকা খুৎশম্নদুনা শীনবনি। ওপরেসন ৩৭ মায়পাক্লা পাঙথোকখিবা জেনিমসকী দোক্টরশিংগী টিম অদু ইন্সটিট্যুট অসিগী সর্জরি দিপার্টমেন্টকী প্রো. নিংথৌজম্বম জিতেন্দ্রনা লুচিংখি। অদুগা টিম অসিদা য়াওখিবা অতৈ দোক্টরশিংগী মনুংদনা এসোসিএট প্রো. হেলেন কামৈ অমসুং এনাসথেজিওলোজিগী প্রো. এস থোইবনচিংবা য়াওখি। কেম্প অসি ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগী মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং ৪৪শুবা অসাম রাইফলস, তমেংলোংনা সপোর্ট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। হৌদোকপগী থৌরমদসু মিনিষ্টরনা অথোইবা মিথুংলেন ওইরগা ৪৪শুবা এ আরগী কম্মান্দিং ওফিসর কর্নেল প্রদিপকুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইখি। অদুগা তমেংলোংগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. জি মজাচুংলুনা থৌরম মপু ওইখি হায়রি।

কোর্টনা বেল প্রেয়র ককথৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :

ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ফাগৎখিবা ম্যান্মার নেসনলশিংদা শাশিন্নবা আধার কার্দশিং পীরম্মী হায়বগী চার্জদা শীংজমৈ পি এসনা ফাগৎখিবা চুড়াচান্দপুরগী ন্যু জৌ ভেঙদগী রিজেইস মিলুন জৌ এলিয়জ মাঙ্খালিয়ান (৪০) অপোকপা এম নেংসুওনহাং জৌনা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা পিটিসন অদু সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ
অৱাবা ফোংদোকচবা

Manipur State Pensioners Union গী শঙলেন শাবা হৌরকপদা construction গী থবক্তা অশোয়-অঙাম কয়া য়েংবীদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবীখিবা Shri Akham Narendradhaja (গান্ধী) সিংহ সাং ৱাঙ্খে লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবীরম্বনা হৌখিবা তাং ১৪-১১-২১ ইংদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে তাবদা Union গী অথুবা Executive Committee Meeting ফমদুনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনিজখি অদুগা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- Secretary,
Manipur State Pensioners' Union

HL-P/0749/26

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

It is hereby notified to the general public that "RaDiant Finance" office address at Sagolband Bijoy Govinda Akham Leikai, Sagolband (Part) Imphal West is seeking/ obtaining money lender's Licence under the provision of Bombay Money Lender's Act, 1946 as extended in state of Manipur. Any objection in this regard may be sent/filed in writing in the office of the Registrar Bombay Money Lender's Manipur, Lamphelpat, Manipur within 10 (ten) days from the date of publication of this notice. Further, any claim/objections/suggestions/ is not entertained after completion of the given days.

Sd/- **Mangsatabam Johnny**
Manager, RaDiant Finance

HL-B/7306/26

ꯔꯥꯐꯗꯣ / RAFDO গী GENERAL BODY MEETING

লাক্লিবা তাং 28th November 2021 ইং, Sunday গী নুংথিল পুং 1.30 p.m. তাবা মতমদা মোইরাং বজারগী মমাংদা লৈবা ইবুধৌ লৈকোইপুংগী কম্যুনিটি হোলদা RAFDO গী Account Holder শিংগী পৈশা পীথোকপগী মতাংদা খন্নবা General Body Meeting অমা পাঙথোকচরগনি।

মসিদা লাকহৌদবশিংগী ৱাকৎ মতুংদা অমত্তা লৌজরোই।

Sd/- **Kh. Gandhi Singh**
President
The G.B. Committee's of the
Seven Salai English School

HL-P/0737/25, 26

১৬শুবা এন্যুএল কলচরেল ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

নুমীৎ নীনি চৎথরকপা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র নট সংকৃতন দান্স এন্দ ম্যুজিক একাদেমিগী ১৬শুবা এন্যুএল কলচরেল ফেষ্টিভেল অমদি ২১শুবা ফাউন্দেসন দেগী ক্লোজিং প্রোগ্রাম শম্বৈ অৱাং লৈকায়দা লৈবা শম্বৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সঙ্গিট নাটক একাদেমিগী জেনরেল কাউন্সিল মেম্বর এসঐচ নবচন্দ্র (নবভোলকেনো), কে কে এন এস দি এম এগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু কোমোল, ভি পি, এ লোকেশ্বর, থবক্তংগী পোৎথারবা চাইল্ড দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর টিঐচ মুহিন্দ্রো, ইমোইন্যু কন্সট্রক্সনগী মেনেজিং দিরেক্টর কে রোনেন অমদি অরাম্বাইগী চেয়রমেন ই. সোভিন্দনচিংবশিংনা শরুক য়াখি। থৌরমগা মরি লৈননা কে কে এন এস দি এম এগী সেক্রেটরি এম সরতনা ফোংদোকখিবদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা ময়ামদগী তাদবা আর্টিষ্ট কয়া লৈরবসু পুন্না থবক তৌমিন্নবগী খুদোংচাবা লৈখিদে। হরাউরৌ, শম্বৈ অমদি তাংখম খুলদা লৈবা আর্টিষ্টশিংনা পুনশিল্লগা একাদেমি অসি লিংখৎলকখিবনি। একাদেমি অসি লিংখৎপদগী আর্টিষ্ট অমদি আর্টতা অওনবা শক্তম অমা উবা ফংলক্লে। সঙ্গিত নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লিগী মখাদা স্পোন্সর স্কিম খরা পীবিরক্লবদি নেসনলগী থাক্তা পার্ফোমেন্স পীবগী মশিং হেনগৎপগা লোয়ননা আর্টিষ্ট অনৌবা কয়াসু শেমগৎপা ঙম্লগনি হায়না ফোংদোকখি।

ꯊꯕꯛ / JOB RECRUITMENT

WE ARE LOOKING FOR BELOW POSTS ON URGENT BASIS.

Name of the Post	Qualification	No of vacancy	Date of Interview	Pay scale
AO-Executive	XII and above	15	29th & 30th Nov 2021	Rs 12,000 & above.
BDMs	Graduate	10	29th & 30th Nov 2021	Rs 20,000 & above

N.B: Candidate should come with formal dress along with well type resume and two passport photo during 10 am to 4pm.

Plz contact: **HR DEPT,ONLINE SHARE TRADING ACADEMY (OSTA), 3RD FLOOR, GAMBHIR SHOPPING ARCADE, B.T.ROAD, IMPHAL-795001**

HL-P/0756/26,27

ꯁꯔꯀꯨꯂꯔ / CIRCULAR

Date : 25/11/2021

As per the State Executive Meeting Resolution it is advice to all the I.C.D.S. Project Secretary of "Manipur Anganwadi Mahila Organisation affiliated to Bharatiya Mazdoor Sangh" to call your concern Project Executive Committee Meeting as soon as possible. That, the Manipur Anganwadi Mahila Organisation affiliated to Bharatiya Mazdoor Sangh is organising a grand falicitation programme of our Chief Minister, Government of Manipur for increasing the honorarium of Anganwadi Workers and Helpers.

Agenda of the meeting are as follows:

1) Vacancies of project Supervisors.
2) Ready to eat food supplements.
3) Submission of project Committee members to State Office.

Sd/- **L. Sanatombi Devi**
General Secretary,
Manipur Anganwadi Mahila Organisation
(MAMO)

HL-P/0750/26

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST
(Presiding Officer Land Acquisition, Rehabilitation and Resettlement Authority, Tamenglong)

ORIGINAL (LA) SUIT NO. 1 OF 2021

Ref: Award No. DC(TML)11/370(RLY)09 dated 30/03/2020

Thuankulung Gamei (Gangmei) and 32 others
- Claimants

-Vrs-

The District Collector (Land Acquisition), Tamenglong, Manipur
- Respondent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

To,

All the interested Person.

Whereas, Upon the reference made by the Respondent for determination of person to whom the compensation Award is payable to the budgetary letter cum Award of the compensation amount of the cost of Forest and Horticultural Products being No. DC(TML)/11/370(RLY)09 dated 30/03/202 of DC(LA) Tamenglong regarding the Tunnel No. 26 and 26-A of Makhuam / Marangching Village.

Notice is hereby given to all the interested persons in the above referred case to appear before this Court on 29th day of November, 2021 at 10.30 am to file written objection, statement of claims, if any, failing which the matter will be heard and determined without further notice.

Signed and seal by the order of this court on this 24th day of November, 2021.

Seal

By : Advocate Sd/- **Sr. Sheristadar**
District and Sessions Court,
Imphal West, Manipur

HL-P/0734/25,26

IN THE FAMILY COURT: BISHNUPUR : BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR

MATRIMONIAL (DECLARATION) CASE NO. 6 OF 2021

Km. Laishram Nirbha Devi
- Plaintiff

-Versus-

1. Shri Laishram Amit Singh and one another
- Defendants

ꯁꯃꯟꯁ / SUMMONS

To,

All the interested Persons

Whereas, the above named Plaintiff has filed a declaratory suit against the Defendant praying for declaring that the Plaintiff is the un-married daughter of late Laishram Manglem Singh, Ex-Assistant Lineman of the Office of the E.E. Transmission Construction, Division No. II, Electricity Department, Manipur and a resident of Leimapokpam Makha Leikai, Bishnupur District, Manipur under Section 34 of the Specific Relief Act, 1963, you are hereby summoned to appear before this Court on 07/12/2021 at 10:30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed and also to answer all the claims of the Plaintiff and filed written statement, if any.

Take notice that in default of your appearance on the above mentioned date, month and years, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, on this 23rd day of November, 2021.

By : Advocate Sd/- **Sheristadar**
Family Court, Bishnupur

HL-P/0729/25,26

IN THE FAMILY COURT: BISHNUPUR : BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR

MATRIMONIAL (DECLARATION) CASE NO. 5 OF 2021

Km. Pukhrambam Ibe Devi
- Plaintiff

-Versus-

Shri Pukhrambam Dayananda Singh & 1(one) another
- Defendants

ꯁꯃꯟꯁ / SUMMONS

To,

All the interested Persons

Whereas, the above named Plaintiff has filed a declaratory suit against the Defendant praying for declaring that the Plaintiff is the un-married daughter of late Pukhrambam Angou Singh, Ex-Driver of the Office of the E.E. Minor Irrigation Division No. III, Manipur and a resident of Pukhrambam Mayai Leikai, Bishnupur District, Manipur under Section 34 of the Specific Relief Act, 1963, you are hereby summoned to appear before this Court on 07/12/2021 at 10:30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed and also to answer all the claims of the Plaintiff and filed written statement, if any.

Take notice that in default of your appearance on the above mentioned date, month and years, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, on this 23rd day of November, 2021.

By : Advocate Sd/- **Sheristadar**
Family Court, Bishnupur

HL-P/0730/25,26

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।